# কোম্বিরৈ ফিল্ম ফোঙদ্রিঙৈদগী হৌনা ফাওবা হৌখ্রবা হিরো "দিয়া খ্বাইরাকপম"

- নানি



কুমজা ১৯৭২, এপ্রিল ৯দনি **মতমগী মণিপুর** না মণিপুরী ফিল্মগী ইহান হানবা একাউন্ট অমা হাংদুনা- *"ইতৈমা ঙসি ঐখোয় করি এঙ্গাংনো?"* হায়না মৈতৈলোন ঙাংলকপদা য়েংলম্বা মীয়াম্না ফল্লম্বদগী হৌগৎলগা ৱা লাউদুনা অঙকপা অমগা লোয়ননা খুবাক খুখিবদু। ঙসিদি চহী ৫০ শুজিল্লক্লে। মসিদা হৌজিক অমুক কুপথনা য়েংবা তারবদি মণিপুরী ফিল্মগী তাঙ্কক শুরে হায়না লৌবা তাই। কুমজা ২০০০ ফাওবগী মমাঙ অসিনা তাঙ্কক অমা, মদুগী মতুংনা তাঙ্কক অমা। মণিপুরদা হিন্দী ফিল্ম থিংখ্রবা মতুংদগীদি মণিপুরী ফিল্মগী মায়ওনসু ওল্লকখি। কুমজা ২০০০গী মতুংদগীদি দিজিটেল ভিদিও ফিল্মশিং থোরকখি। মদুগী মমাঙনা সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম হায়দুনা লৈরম্মী। সেল্ল্যুলোইদ ফিল্মগী হৌরকপদগী সুম চথরকপনা কুমজা ১৯৮৬কী মতুংদগী য়াওল্লকখিবনি দিয়া খ্বাইরাকপম। কুমজা ১৯৮৯দনি মহাক্কী অহানবা ফিল্ম **কোম্বিরৈ** রিলিজ তৌরকখিবা। মতমদুদদি মণিপুরী অনৌবা ফিল্ম অমা থোরক্লনি হায়বসি তাবদা মীয়াম্না য়াম্না খোয়রাংখি। কনানা হিরো/হিরোইন কুম্বা, কমাই তৌবা, ঈশৈ ফজবরা, ফজদবরা? য়াম্না খঙনিংখি। কোম্বিরৈ ফিল্মগী ঈশৈ থাদোরকপদদি মীয়ামসি অমুক্কা হেন্না লাংতক্লবা হেল্লকখি। ঈশৈ অসুক্কী মতিক ফজখি- *"১. কোম্বিরৈ, য়ারল পাৎকী কোম্বিরৈ, পাইমা পূক্লিং নুঙোল্লে"* ২. *নূজা নঙবু নুংশিরুবা, নুংশি লাইমন ওইহৌরেদো, নিংঙোল থৱায় কৎচরুবা, নিংঙমদনা লেলহৌরেদো"* ৩. *হো হো খোইমু লমদনবা নঙবু, কিজৈ ঐদি কিজৈনে, তনৌরিবী তখেল্লে নাচোম, সাইনোনলক্তা লোৎলেনে"* ৪. *হা পেমচা লাইবক চাওবী, ঙসিদি লোইরে লোইরে, মাঙলেদো লোইরে লোইরে"* য়াম্না মমিং চৎখিবা ঈশৈনি, হৌজিকসু ঈশৈসি অহিংবা ওইনা লৈরি। মীপুম খূদিংগী চিন্দা, থম্মোয়দা, ৱাখলদা নিন্দুনা লৈরি। কোম্বিরৈগী হিরো কনানা কুমদৌরিনো হংনবদা পাউখুম লাকখি *"দিয়ানা কুমগদৌরি"*।

*দিয়া কনানো, কদায়দগীনো, মশক ফজবরা, কমদৌই, পকচগদ্রা পকচরোইদ্রা?* ৱাহং কয়া কয়ানি থৱায় য়াওজবা কয়ানা হংনখিবা। মদুগী মরক্তা য়াম্না থৱায় য়াওরিবনা মতমদুগী লৈশাবী, পাখংশিংনি। অদুনা থওইনা দিয়াগী য়ুমদা লাক্তুনা কোম্বিরৈগী হিরো য়েংবা লাক্লখি। অমা অনীগী ৱা নত্তে য়ামখ্রবজাৎনি। দিয়া উরুরবা মতুংদগীদি, *ওহ ! সি ওইরদি য়ারনি, ফজরনি* হায়না মরী মরী ৱা ৱা শন্দোকখিবনা দিয়া ফিল্মদু ফোঙদ্রিঙৈদগী হৌনা ফাওবা অদু হৌখ্রে। কোলেজ এগজামগী ফোর্ম ফিলঅপ লাষ্ট দেট নুমীৎতা ফোর্মদা নপকদবা পাসপোর্ট ফোটো ষ্টুদিওদা চান্বসু লৈশাবীশিংনা মুল্লগা লৌবীখি। ফোর্ম ফিলঅপকীনি হায়রবসু তাবীখিদে। ৱা ৱা নোক্তুনা পুরগা চৎখি। উপায় লৈত্রবা হিরোনা য়েংদুনা লৈহৌখি। ষ্টুদিওদা হায়রুবদসু হয়েং অয়ুক পুং ৯দা লৌ হায়বীরকখি। উপায় লৈতনা ঈকায় ঈকায়, কোলেজগী প্রিন্সিপালদা ফোটো লৈশাবীশিংনা লাকখ্রে, হয়েং ওইনা নপচরগে, ফোর্ম ফিলঅপতি তৌজরগে হায়রুবদা কোলেজ প্রিন্সিপালনা পেন্না নোক্লগা য়াবীখিবগী ৱারী লৈরি। কোলেজদগী থোরকপদা সাইকল ছো লৈশাবীশিংনা লাকখি। মদু য়াম্না ৱাহনখি। কান্টিনদা চা আলু চোপ চাখিসি হায়না লৈশাবী ছাত্রি শঙ্গু অমনা মাবু য়োমদুনা পুরকখি। মতমদুদা মাগী ফুরিৎখাওদা লুপা অহুমদগী হেন্না য়াওখিদে। য়ামখ্রবা লৈশাবীশিংদুনা চারক্কদৌরিবা ময়াম অদুগী শেল করম্না পীগনি খনবদা হুমাংনা মশা পুম্বা লুপখি। তুমীন্না কান্টিনগী মপু ইমাদুদা, *ইমা ঐ শেল য়াওরক্তে, হয়েং ওইনা পীগেকো* হায়না লোন্না হায়রুবদা য়াবীরকখি। অদুবু লৈশাবীশিংদুনা মাগী অরুম্বা বিলগী শেনফমদু পীবীখি। শ্বর খরা হোন্দোকখি। হিরো ওইদ্রিঙৈদা হিরোগী মহাও ফজনা খঙলবসু য়াম্না তোয়না হুমাংদি কাংখি। অঙকপা মতম অমগী ফিল্মগী ঈহৌনি।

মতমদুদা ফিল্ম সূটিং চৎপদা হৌজিক তৌরিবা মওংসিগা য়াম্না খেন্নখি। অমনবা জীপ অমগী মমাঙদা ফিল্ম সূটিং হায়না চে অমা নপ্পগা চৎখ্রবদি লোইরে, ময়ামসিনা চেপথ চেপথ য়েংনখিবনি। মদুগী মরক্তুদদি হিরো শাদৌরিবা দিয়াসু মী ময়াম মরক্তুদা চপ্পগা য়াওখিবসি। হিরোনি হায়না অখন্নবা থৌরাং অমত্তা তৌখিবা লৈখিদে। জীপ অমদা ফিল্মগী থৌমী, এক্টর, ক্রিয়ু মেম্বরশিং য়াওনা পুল্লপ পুল্লপ নমশিল্লগা চৎখি। য়াম্না চম্না সূটিংনি হায়দুনা অখন্নবা অমত্তা শেম শাবা তৌদনা ইচম চম্না সূটিং তৌখি। তৌবতবু মতমদুদা ফিল্ম নম্বা য়েংবা মীসি অসুক্কী মতিক য়ামখি। ক্রাউদ ময়াম অদু কন্ট্রোল তৌবতদা অচৌবা থবক অমা ওইখি। অদুনা ফিল্ম নমগদৌরিবা মফমগী লৈকায় ক্লবকী মীওইশিং, অমদি লৈকায়গী মীওইশিং য়াওনা শিন লাংদ্রবদি ওইথোকখিদে।

দিয়া খ্বাইরাকপম, য়ুম্নাম লৈকায়, লাইরেম্বী লম্পাক্কী হেক মনিংদগীনি। অপোকপা খ্বাইরাকপম মোমোন মতম অমগী রুপমহল ঠিএটরগী মমিং চৎপা এক্টরনি। মচিন মনাও নুপা নুপী য়াওনা ৯নি। মদুগী মনুংদা অতোনবা ওইনা পোকখিবনি। মহাক্কী ময়াম্বসু (হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা) রতন, ময়াম্না বাজি রতন হায়না খঙনবা পান্থোইবী নট্য মন্দিরগী এক্টর/দিরেক্টর ওইরমখিবনি। দিয়াসু পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা পান্থোইবী নট্য মন্দিরদা য়াওদুনা ঠিএটর তৌরকখি। পান্থোইবীগী লীলা কয়াদা শরুক য়ারকখি। লীলা তম্বা লাকখিবা অহল লমন কয়াগী চা লোন দুনা পীথকখি। ফক থাদুনা ফমহনখি। নুমীৎ খূদিংগী ৱাই শিৎপা ময়াম্না



চাইরম্বা লোইশিনবা মহাক্কী থবক ওইরকখি। লৈকায়গী ময়াম্বশিংনসু লুনা চান্না তৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা মহাকপু তম্বীরকখিবা, খূদিং অমত্তা কাওবা লৈত্রি- য়ুম্নাম রাজেন্দ্র, য়ুম্নাম খোগেন্দ্র, খাইদেম বিহারীনচিংবা অহল লমনশিং। পান্থোইবীগী দ্রামা প্রদক্সন কয়াদা এক্টর ওইবতা নত্তনা ম্যুজিক্কী রোলসু লৌরকখি। মসিনসু মহাক ফিল্মদা চঙলক্লবগী লম্বী ফাৎপা ঙমখিবনি। কোম্বিরৈ ফিল্মগী এসাইনমেন্ট ফংলবা মতুংদা ফিল্মসিগীদমক রিহার্সেল তৌবদা থা কয়া চঙখি। ফাইটিং তম্বদা ওজা দেবগীদা থা ২/৩ চঙখি। শগোল থৌবা তম্বদা থা ২/৩ চঙখি। ফিল্মগী দাইলোগ রিহার্সেল তৌবদা নুমীৎ খূদিংগী অয়ুক্তগী নুংথিল ফাওবা লেপ্তুনা রিহার্সেল তৌরকখি। থা ৫/৬ চঙনা তম্লবা মতুংদা সূটিং হৌখিবনি। ফিল্ম অসি রিলিজ তৌদ্রিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী এসাইনমেন্ট



মথং মথং লাকপা হৌখি। *'ইঙেল্লে, থম্বাল,"* সিগী মতুংদগী মণিপুরী ফিল্মগী এসাইনমেন্টশিং লেপ্তুনা লাকখি- *মাধবি, কনাগা হিংহৌনি, হয়েংনা কনাগী, মৈরি, সনা মানবী সনারৈ, থম্মোয়নদি কৌহৌরি, অমম্বসু অঙানবনি, লাইবক, লৈয়ি অমা, মৈচাক মৈচাক, অমুবা চন্দল* নচিংবা পুন্না সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম ১৮দা হিরো কুম্লকখি। তশেংনমক্তি মহাক মণিপুরী ফিল্মগী সুপর হিরোনি হায়না শীংথাবা য়াই। মতমদুদা ফিল্ম কুম্বদা শেল কয়া লৌবগে হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা দিয়া নোক্তুনা খাঙখি। তশেংবদি মতমদুদা মখোয়না কুম্লকখিবশিংদুদি, কখোকপনি, শেলগী ৱা কৈসু লৈখিদে। ফিল্ম অমা নম্লবা হোৎনবদা চঙখিবা মতম কয়া অদুগী মমল হায়ববু মণিপুরী ফিল্ম চাউখৎলকখিবা, অমদি মীয়াম্না মশক খঙবীবা অসিনি হায়বা অসিনি। কুমজা ২০০০গী মতুংদগীদি মণিপুরদা হিন্দী ফিল্ম উৎপা থিংখিবদগী, ফিল্মগী অহোংবা অমা লাকখ্রে।

অনীশুবা তাঙ্কক দিজিটৈলগী ইরা অসিদদি দিয়া খ্বাইরাকপম **"ফাইরেন থাগী অঙাওবা লৈচিল"** হায়বা ফিল্ম অসিগা লোয়ননা দিরেক্টর অমা ওইনা শাফোঙলকপা হৌরকখি। মসিগা লোয়ননা দিয়া মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম কয়া দিরেক্সন পীদুনা মহাক্কী ইনৌ নৌবা মিংচৎ অমা থম্বা হৌরকখি। তেল্লবা মতমগী মনুংদা মহাক ফিল্ম ৩০ মুক দিরেক্সন তৌখি। দিরেক্সন তৌবখক্তা নত্তনা মহাক দিজিটেল ফিল্ম কয়াদসু এক্টর ওইনা মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়া অমদসু কুম্বা হৌরকখি। অনৌবা ইরা অসিদদি হিরো ওইনা থোরকখিদ্রে, ময়াম্বা, মখুরানচিংবা রোল কয়া শাদুনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম কয়া কুম্লকখি। মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারী অমা ইরকপদা দিয়াগী চাউরবা তাঙ্কক কয়া লৈরি। কৈদৌনুংদা কান্দুনা চৎপা য়ারোই। মহাক্না পুথোকপা ফিল্ম কয়াদা মমিং লৈরবা এক্টর এক্ট্রেস কয়া অমসু পুথোরকখি। কেরেক্টরগী মমিং য়াওনা ফাওবা এক্টর কয়া অমসু য়াওরকখি। অমখক নীংশিংলবদা, মোম্বি শাবী হায়না খঙনরিবী, থোইথোইসি মহাক্কী ফিল্ম "ফাইরেন থাগী অঙাওবা লৈচিল" হায়বা অসিদগীনি। মসিসু মহাক্কী চাউরবা ক্রেদিটনি হায়দবা য়ারোই।

দিয়াগী ৱারীদি তাঙ্কক কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা ইবা য়াই, অদুবু অতেনবা কলম ওইবনিনা লোইশিল্লকপদা, মহাক্না থম্মোয় শেংনা থল্লকখিবসি, হৌরক্লিবা আর্টিষ্টশিং অসিনা অহল লমনশিংদা থৌগল্লোন কায়হন্নিংদে, মশাগী মথৌদা মপূক্লিং চঙহন্নিংই, তম্বা য়াওদনা হৈবা য়ারোই হায়বসিমসু খঙজিনহন্নিংই হায়বগা লোয়ননা, কৈরাক য়াওদনা ঐখোয়না অৱাংবা অমা কাবা ওইথোক্তে। অদুনা কৈরাক থাবীরল্লিবশিংবুসু কৈদৌনুংদা কাউথোকপা চুমদে, মখোয়গী মতুং ইন্না লাকপনি হায়বসি খঙহন্নিংই হায়না চেকশিন্না পাউজেল পীরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৮।২০২১ ইং, নোংমাইজিং,
থৱানগী থানিল।



মেষ: লাইবক ফবা, শেন্দোং তানবদা ওইজবা ফংবা অমদি মীচঙ খোম্বা য়াবা নুমীৎনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা হন্থবগা নুংঙাইনদবা লৈ, অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা খরদি লৈরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



বৃষ: অয়ুক্তা মীপাইরম্বদু থেংথরক্লগা কোকচগনি অমদি অনীংবা থবকসু পাঙলগনি। হকচাং নুংঙাইবা, ঙাং-শকপা হৈ অমদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।



মিথুন: হকচাং নুংঙাই, পোরম য়াৎপা হৈগনি, মরুপ-মপাং অফবা থেংনৈ অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবনা মায় পাকচবা হেনগনি। অফবা লৌশিং পোক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।



কর্কট: পুং নিপাল ফাওবদা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ, অপাম্বা থৌ পাঙহৌরো। অচুম্বমক খঙবা ৱারসু ওইজবা ফংগনি, মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।



সিংহ: নীংবা শোয়দনা থুংগনি, নিংথিনা খন্থরগা অফবা থবক পাঙহৌরো, মীচঙ খরা হেনগৎকনি। অদুবু নোল্লুকপা অমদি ঈংনা থৌপাঙবদি তঙাই ফদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



কন্যা: থেংলপ্পা নীংবা থুংলনি অমদি মীনা থাগৎপীবা লৈগনি। হকচাং খিংগনি অমদি অরং-অরাক ফংবা য়াবসু লৈ। য়েক্লবনা য়েংশিনবদি লৈ, থিবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।



তুলা: অফা-অপুন্নবা, মতম মাঙবা অমদি নীংবদুমক পাঙদা য়াদে খন্দবা ফৈ। মরী মতা নত্রগা নক্লবগী মতেং লৌবদি য়াগনি অমদি লান্দবনা নুংঙাইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ওইজবা মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



বৃশ্চিক: অঙনবদা ৱাখল নুংঙাইবা অমদি ওইজবা ফংগদবা খোঙশাল লৈ। মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইবা অমদি লন ফংবদি লৈ। অদুবু হুরানবদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



ধনু: পাঙগে খনবা থবক পাঙবা ৱাগনি, নথক থোংবনা চৈবীবা য়াবা লৈ, ৱা য়াম্না ঙাংগনু। অদুবু থৌনাদি হনগনু অমদি লাইবক ফবসু লৈগনি, পাখৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।



মকর: লনদি হান্নগুম চঙগনি, লৌশিংসু মরাং কায়না তানশিনবা য়াগনি অমদি নঙগী ওইবা মীতমক লোয়নবা ফগনি। অঙম্বনসু চানবদি চাল্লি, অরং অরাক চঙই।
লৈশা পাখংশিংগী - মতাং ইচা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।




কুম্ভ: পুক্লিং পেঞ্জবা, হরাওবা অমদি নীংবা থুংবা নুমীৎনি। পাউদি ইনুং নুংঙাইতে অদুবু মীৱা থাজদ্রদি মাঙবদি লৈরোই। মীয়াম্না পাম্নবা ওই, মরুপ ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।



মিন: হনবা লৈতনা হোৎনৌ, মায় পাকপা শোয়রোই। নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি। মীয়ামগা লোয়নবদি চেকশিল্লু, ওইজবা মাঙগনি। ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : অঙৌবা/চেঙ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



অহানবা হুই : ঙরাং ঐখোয় মপুনা নুমীদাং পুং ১.৩০দা হুরানবা অমা ফাই।
অনীশুবা হুই : নঙদি মতম অদুদা কদাইদা লৈরুরিবা?
অহানবা হুই : ঐ হুইনি, নুমীদাং চুপ্পা মোবাইল মেৎপা মী নৎত্তে, ঐদি নুংঙাইনা তুমদুনা লৈ ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

লোয়নবী : তারিবরো...? ঐঙোন্দা হেপ্পিনেসকী স্পেল্লিং খরা হায়বিরকউ।
মপুরোইবা : য়ু এন এম এ আর আর আই ই দি (অনমেরিদ) ....!!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

অঙাং অমনা মমান্নবদা হংই, ইতাউ নঙ চিনাগী লোল পাবা ঙম্ব্রা?
মমান্নবা : ঙম্মী, তৌবতবু ইংলিস ময়েক্তা ইবা তাই...!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কঞ্জুস মপা : ইবুংঙো নঙ হয়েং চাওরগা উকিল ওইবা ঐনা পাম্মী।
মচানুপা : করিগীনো পাবুং?
কঞ্জুস মপা : ঐনা লিৎলিবা অমুবা মচুগা কোট অসে হয়েং অমুক নঙনা লিৎপা য়ানবনি !!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপানা মচাদা ঙাঙলদুনা হায়, অমরেকাদা লৈবা চহী ১৫ শুরবা অঙাংশিংদি মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্মী।
মচানুপা : করিনো হায়সিবু পাবুং ঐখোয় ইন্দিয়াদদি শুপ্নগী চহী ১ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং ফাওবদা চেনবা ঙম্মী।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মচা : বাবা, হন্দক্তি নঙ লাইবক য়াম্না ফরবনি।
মপা : করিগী ফরিবা?
মচা : মরমদি ঐ এগজাম ফেল চৎলে। অদুনা অনৌবা লাইরিক লৈদ্রবসু য়ারনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কোভিদ মতমদা দুকান্দা পোৎ লৈবদা থোকপা থৌদোক...
দুকান মপু : করি পীয়ু হায়বনো?
পোৎ লৈবা নুপা : অচাথাউ লিটর অমত্তা পীয়ু।
দুকান মপু : অতৈদি করি-করি পাল্লিবগে?
পোৎ লৈবা নুপা : গভর্ণমেন্ট জোব পীবিরবদি য়াম্না নুংঙাইগনি...!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

য়ূ থকপা মরুপ অনী গাড়ি থৌদুনা চৎলম্মী।
মতম অদুদা মরুপ অমনা লাউরকই - ভাই-ভাই মাংদা গাড়ি ময়াম অমা লৈরে হায়না-হায়না গাড়ি অদু থৌজিল্লম্মী।
নোংঙাল্লগা হোস্পিটালদা ভাই করিগীনো নঙনা গাড়ি লৈ-লৈ হায়না গাড়ি থৌজিল্লিদুবু করিগীনো?
অনীশুবা মরুপ : য়াইয়ে নঙসু ইবুংঙো নঙসু গাড়িনা নঙনা থৌরগা...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

পুলিস ওইবা নুপা অমগী য়ূমদা হুরানবশিংনা নুমীদাংদা পোৎচৈ হুরানবা হৌরক্লম্মী।
নুপী : তামো, তামো, থুনা হৌগৎলো য়ূমদা হুরানবশিংনা পোৎচৈ হুরাল্লে।
মপুরোইবা : ঐ য়াম্না তুমনিংলি, তুম্বা থুগায়রক্নু হৌজিক ঐগী দ্যুটিগী মতম নত্তে...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Rubik's cube
By : Akoijam Leah
Class : IV Sec : B Roll : 16
School : Tiny tot's Unique School



Title : Princess
By : Alina Khoisnam
Class : IV Sec: Rose Roll : 21
School : SL Arena of Learning



Title : Ballon
By : Asem Lanchenbi Devi
Class : Pre Nursery Sec : A Roll : 19
School : Vision Kid.



Title : Owl
By : Asem Paikhomba
Class : I Sec: B Roll : 5
School : ST. Joseph's Hr. Sec. School



Title : National Flag
By : H. Bung Bung
Class : I B
School : KV School Langjing




Title : A Little Girl Playing
By : Google Soibam
Class : KG
School : Alpha & Omega School, Porompat




Title : Rose
By : L. Lanchenba
Class : IV Sec : Jasper Roll : 29
School : Heritage Convent



Title : Barbie
By : Lanchenbi Khoisnam
Class : IV Sec : Rose Roll No. 25
School : SL Arena of Learing




Title : Genos
By : Nonganbi Yendrembam
Class : VII
School : Bethony School, Guwahati



Title : Sarupe
By : R. K. Arjunsana
Class : III
School : Bethony School, Guwahati




Title : Smile
By : RK. Chinglembi Sana
Class : VII
School : Bethony School Guwahati



Title : Zig & Sharko
By : Sh. Barcelona
Class : IV Sec : Daffodil Roll : 39
School : SL Arena of Learning



Title : Rose Fairy
By : Ch. Dhanaraj
Class : I Sec : A Roll : 4
School : Global School of Human Resources



Title : Smoking Girl
By : Sougrakpam Thenga Singh
Class : VI Roll : 14
School : St. Francis of Assisi School



Title : Doraemon
By : Khuraijam Tomthinnganba
Class : III Roll No. : 2
School : Vocational Guide School



Title : Diwali
By : Arambam Angelica
Class : IV
School : Young Pioneer's English School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।